# জুন ১৮ গী অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ পালন মপুং ফানা পাঙথোকখ্রে

## অল্টরনেটিভ এরেঞ্জমেন্ট মীওই খরখক্তগীনিঃ কেতি রহম্মন

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল জুন ১৮:* মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়বগী ঈহৌদা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিংগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎতুনা অমসুং মণিপুরগী অপুনবগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়বগী অচেৎপা ফিরেপকা লোয়ননা ঙসি অমুকোনা য়ুনিটি দে গী থৌরম পালন ইম্ফালগী থাউ গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে। পালন থৌরম অসিগী মাংওইননা মায়কৈ কয়াদগী লাকপা য়াল্লবা মীয়াম্না কেক্রুপাৎকী খুভমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্নখি।

অমুকোনা শিন্দুনা অথৌবা-অথৌবী কয়ানা ঙমখৈগীদমক থৱায় কৎখিবা নুমিৎ অসিবু নীংশিংদুনা হৌখিবা চহিদা পাঙথোক্তুনা লাকপগুম ঙসি থাউ গ্রাউন্দা পাঙথোকখিবা ১১ রক শুবা য়ুনিটি দেগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা অমুকোগী প্রসিদেন্ট কে তি রহমন্না হায়খিবদা, মীওই ১৮ গী থৱায়না পোল্হা পীখিবা নুমিৎতুনা পীরল্লা অশেংবা লম্বী অপুনবা নত্তনা ঐখোয়গী ফ্যুচর লৈতে হায়বদু ঙসিদি তপ্ন-তপ্ন া চীং-তমগী মীয়াম্না জ্ঞান তারক্লি। হান্নদগী য়ুএনসিনা স্পেসিয়েল এদমিনিষ্ট্রেটিভ এরেঞ্জমেন্ট কাংলুপকী অপিকপা মীৎয়েং থম্বনা মশিং য়ামখ্রবা নাগাশিংগী মনুংদা জেলিয়াংরোংনা দিমোক্রেটিক ওইদে হায়না ৱারৌবা হৌরক্লি। এনএসসিএন (আইএম)দা ৱারৌদবা নাগা লালহৌলুপ লৈশিল্লক্তরে।

নাগালেন্দগী চিফ মিনিষ্টরনা মণিপুরগী লম খোপ্লবা হোৎনরিঙৈদা মশাগী ষ্টেট নাগালেন্দ মনুংদা ইষ্টর্ন নাগালেন্দগী শরুক খায়দোক্লে হায়রক্লে হায়রদুনা মচেৎ মচেৎ থুগায়নবা হোৎনরিবা য়ুএনসি ৱাখল খরা খঙ্হন্নিংই।

অমুকোনা থাজরিবদি য়ুনিটি হায়বসি মীতৈ খক্ত পুনবা নত্তে। চীং-তম পুনবনি। হন্দক কুকিনা সেপরেট ষ্টেট তানবা লুপ খরখক্কী অপাম্বনি। কুকি মীয়ামগী নত্তে। য়ুএনসিনা পাম্বা মণিপুরগী লৈঙাক্কা শম্নজরোই হায়রিবসিসু মখোয় খরখক্কী ৱানি। হৌজিক নাগা-কুকি- মৈতৈ অমসুং মৈতৈ-পাঙলনা অপুনবা মণিপুর অমা পাম্বগী মীৎয়েং লাংতক্লবা অমা লৈরে হায়বসি অমুকোনা থাজে। মণিপুরগী নাগাবু নাগলেন্দগী নাগানা লমগীদমক হাৎকে-তুপকে তৌবসি ইকায়খুম্নুনা লোয়নবা নত্তে হায়বা য়ুএনসিনা কাওরোইদবনি। জুকো তুরেলদগী নাগালেন্দ ঈশিং পীনবা হোৎনরকপদা প্রজা মীয়াম্না য়াখিদবনি। ঐখোয়গী মণিপুরগী নাগানা নাগালেন্দগী নাগাগা য়ানদবা মরম য়াম্না লৈ। অমরোমদা অমুকোনা জুন ১৮ গী পাউজেল ওইনা থবক ওইনা পাঙথোকখ্রবা পুন্না হিংমিন্নবা, পুন্না চাউখৎমিন্নবা, পুন্না থেংনমিন্নসি হায়বসি মণিপুরখক্কী নত্তনা অৱাং-নোংপোক্কী খোল্লাও ওইরবতদা তুংদা লাক্কদবা ইচা-ইশুশিংদা চাওখৎপা লমদম অমা শিন্নরল্লে হায়বসি কাওরোইদবনি।

অতোপ্পা অমনা জুন ১৮গী পালন থৌরম অসি মথং চহিদগীদি পুন্না পাঙথোকমিন্ননবা হোৎনরগনি। হন্দক্কী ওইনদি মতম খুয়ৌনখিবনা ঙমখিদবনি। অদুম ওইনমক থৌরম অসি মফম তোঙান তোঙান্না পাঙথোক্লবসু মপুং ওইবা থৌরমদি অমখক্তনি হায়খি। থৌরমদুদা ৱা ঙাংখিবা অমুকোগী এদভাইজর ডাঃ ধনবির লাইশ্রমনা হায়খিবদা, মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা প্রোব্লেম অসি সোসিয়েল ইশু নত্তে। পোলিটিকেল অমসুং ইকোনোমি ইশুনি। সোসিয়েল ইশু ওইরম্বা জাৎ-বিজাৎ খায়দোকপা, লৌন-লৈনবা য়াদবা অমদি অমাং-অশেংগী চৎনবী কোকখ্রে। হৌজিক লৈরিবা পোলিটিকেল অমসুং ইকোনোমি ইশু অসি লোয়শিন্নবা ঐখোয়না লম্বী থিদোকপা চংই। মণিপুরবু মচেৎ-মচেৎ থুগায়নবা হোৎনরিবা এনএসসিএন (আইএম) ঙসিদি গৌরমিঠাই মীশিদা তুমশিল্লক্লে। থা কয়া নেস্লেল হায়ৱেদা ব্লোকেদ তৌবদা মৈতৈনা ৱারে লাওখিদবদু অপুনবা মণিপুর অমগীদমক্তনি। মৈতৈবু পংই হায়না কাংবু খরনা বদনাম তৌরিবদু অপংবগী ৱাখল্লোননি। য়ুএনসিগী অল্টরনেটিভ এরেঞ্জমেন্টকী ৱাখল্লোন মীওই খরখক্কীনি। মসিদি মণিপুর সরকারনা ষ্টেট এসেমব্লি অসি অপ্পর হাউস অমসুং লৱার হাউস হায়না অনি থোক্না খায়দোক্তুনা থল্লবতদা কোকখিগনি। মদুতনা মখোয়গী অসিগুম্বা ৱাখল্লোন অসি পুথোরক্লোই। কুকিশিংনা মখোয়গী ওইবা ষ্টেট অমা তাল্লক্লিবসি মীওই খরখক্কীনি। নাগা ইচিল-ইনাওশিংনা মখোয়গী ওইবা ষ্টেট অমা লিশাং শিংনা তাল্লক্লিবা অসি ফাওবা ওইদনা লৈরিবনি। লমদম অসিগী লম মচেৎ অমা মাংবা য়ারোই হায়খি।

ফাদর ওফ দি সোসিয়েল ৱার্কর থৌনাওজম ইবোয়াইমনা হায়খিবদা, অপুনবগী শক্তম কনাগুম্বা অমত্তনা থুগায়বা য়ারোই। অপিকপা পুকচেল থাদোক্তুনা অপুনবা মণিপুর অমগীদমক হোৎনমিন্নসি হায়খি।

থয়োং ভিলেজগী চিফ এম অখুপ কোমনা হায়খিবদা, লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা কাংলুপ মশেলগী মরক্তা ঐগী মীগী হায়বা ৱাখল্লোন থাদোকসি। ৱাখল্লোন অসি থাদোক্ত্রিমখৈ ঐখোয়না চাওখৎপদা মাংজিল থানা চংশিনবা ঙল্লোই। ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি চিন্দা অপুনবা হায়রগা তোকখায় তোকখায়না পাঙথোকপসি তশেংনমক অপেনবা ওইদে। থৌরম অসি য়ুসিএম অমসুং অমুকোনা পুন্না পাঙথোকহন্নিংই হায়না ফোঙদোকখি।

ওল মণিপুর মুসলিম কো-ওদির্নেটিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট এমদি খৈরুউদ্দিন শাহনা হায়খিবদা, ঙসিদি লমদম অসিগী মীয়াম অসি এনএসসিএন (আইএম)গী শেনখায়না নম্বো পোরে। লমদম অসিদা লৈরিবা এনএসসিএনগী থৌওং অসি বেঙ্কোক্তা ফমদুনা লৈরিবা ইসাক মুইভা অনিনা জ্ঞান তাদ্রিবা করিগীনো। লালহৌলুপ অসিনা মণিপুরগী নাগাশিংবু নাগালেন্দা পুরগা নাগলেন্দ ওলহনগনি হায়রিবদি মশানা মশাবু রিফ্যুজি ওইজগে হায়বনি হায়খি।

আইমোল ত্রাইব য়ুনিয়ন মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি সিঐচ থাংপনা হায়খিবদা, মণিপুর বোর্দর পেম্ভ্রাইব তৌরিবা মহৈরোইশিংনা তম্নবা লাইরিকশিংদা লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা অপিকপা জাতি ফুরুপশিংগী লৈফম চাফম ময়েক শেংনা তাক্তে। মসিমক্না হৌরক্লিবা নহারোলশিংনা লৈমিন্নরিবা ঐখোয় মশেল অসি অমত্তনি হায়বগী ৱাখল্লোন লৈরক্তবনি হায়খি।

# ঐখোয় পুন্না অপুনবগী শক্তম শাগৎমিন্নসিঃ নবচন্দ্র

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল জুন ১৮:* হৌখিবা চহিশিংদা পাঙথোকপগুম য়ুসিএম না শিন্দুনা ঙসি দি গ্রেট জুন অপরাইজিং দেগী থৌরম কেক্রুপাৎতা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুরগী মপান্দা খুন্দারিবা মণিপুরীশিং য়াওনা অয়ুক অঙানবদগী হৌনা জাতি ফুরুপ কয়াগী নাৎকী ওইবা লাইশোল তিনশোলগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা থৌরমদুগা মরী লৈননা মীয়াম্না কেক্রুপাৎত লৈবা অথৌবশিংগী খুভমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্মখি।

য়ুসিএমগী প্রসিদেন্ট ৱাই নবচন্দ্রনা ঙমখৈগীদমক লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎতুনা য়ুসিএমগী ফিরাল তঙ্খাই চিংথবা য়াওনা মীয়াম্না পুন্না মিনিট অনি তুমিন্না লেপখি। থৌরমদুদা মিনিস্টর, এমএলএ কয়াসু লাক্তুনা অথৌবশিংগী খুভমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্মখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা কেক্রুপাৎতা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী ওইবা মীফমদা য়ুসিএমগী প্রসিদেন্ট ৱাই নবচন্দ্রনা হায়খিবদা, ইন্দিয়ানা মণিপুরগী ঙমখৈ তৎতনা থুগায়নবা হোৎনরক্লিবা থৌওংশিং কন্দেম তৌই। মসিদা লমদম অসিদা চহি কয়াদগী খুন্দামিন্নদুনা লৈমিন্নরক্লবা মীপুম খুদিংমক্লসু অমত্তা ওইবা ৱাখল্লোন্দা পুনশিন্নদুনা অপুনবা মণিপুরগী শক্তম ঙাক্লবা হোৎনমিন্নসি। মণিপুরদা চীং অমসুং তমগী চাওখৎপগী থোং মান্নদবা অমদি ধর্ম্মগী ওইবা খেন্নবা কয়ানা মরম ওইরগা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা লাপথোক্লবা মচাক অমা ওই হায়বসি অহল-লমনশিং অমদি অখণ্ড-অহৈশিংনা হায়বদগী খঙলে হায়রদুনা মসি কোক্লবা হোৎনমিন্নসি। য়ুসিএম অসি মৈতৈখক্তগী নত্তে। অপুনবা মণিপুর অমগীনি। মসিদা তোঙান তোঙানবা জাতি কাংলুপশিংনা পুন্না থবক তৌমিন্নবদা করিসু অকায়ব লৈতে।

য়ুসিএম লিংখৎখিবদগী ঙসি ফাওবদা চীংগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংদা খুন্দারিবা জাতি কাংলুপ কয়াগা নুংশি-চান্ননা লৈমিন্ননবগী কেম্পেইন চত্থদুনা লাক্লি। মখা তানসু চত্থখিগনি।

লমদম অসিগী মনুং হঞ্জিন্না লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্লা তোকখায় তানিংবগী অমদি নুংশিনদবগী মমি তাদে। কনাগুম্বা লনাই মীওই খরা নত্রগা পোলিটিসিয়ানশিং য়াওনা মশাগী ওইজবা থিবা কাংবুশিংনা অরানবা প্রচার কয়া তৌদুনা চৎনবা য়ারোইদবা ৱাখল্লোন্দা তোকঙা শনে দাক্তুনা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা খাইবুং খাইবুং তান্নবা শিনবনি। য়ারিবমখৈ অসিগুম্বা থৌওং চত্থদবা চুমগনি হায়খি।

কুকি মাদর এসোসিয়েসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট রোজ মাংসিনা হায়খিবদা, মণিপুরগী ঙমখৈ অসি ঙাকসি হায়বা তারবদি জাতি খুদিংমক্ল া মাগী মাগী ইন্টরেষ্ট থাদোক্লবা তাই। মা-মাগী ওইবা ইন্টরেষ্টতা থবক তৌরবদি কৈদৌনুংদা পুনশিন্নবা য়ারোই হায়খি।

নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা হায়খিবদা, ঐখোয় অসি চহি কয়াগী মমাংদা মফমসিদা লাক্লগা খুন্দারগা য়ুমলিং-কৈরিংদুনা লৈরকপা নত্তে। ঐখোয়গী ওইবা লৈঙাক্লোন শেমগৎগা পংহিং হিংলকপা অমদি পংলৈ-লৈরকপা ফুরুপসু নত্তে। য়াম্না মতিং লৈনা হিংলকপা মীঙোন দা লাল্লক্তবা অমদি মীনা লাল্লক্লবসু য়াদবা লৈবাক্কীনি হায়বসিনা মাংদা থাবা ফুরুপনি। চহি কয়া মনিং তম্না লৈরকপা ইরমদম মণিপুর অসিদা মীওই খুজোক খরনা ঙমখৈ থুগায়গনি হায়না য়েক্লিং-য়েক্লিংবা মেপ খরা য়েক্লগা চরাংনবা অসি য়ারিবমখৈ তৌবীগনু হায়খি।

য়ুসিএমগী এদভাইজর আর কে রনেন্দ্রজিৎনা হায়খিবদা, লমদম অসিগী চরাংনবা লুরবা তাঞ্জা অসিদা ঐখোয় করি তৌগদগে, কনাদা ঐখোয়না ৱাকৎদৌরিবনো হায়না হংলদুনা তশেংনমক দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা ঐখোয় নিংতম্না হিংলিবরা হায়বসি হংবা য়াই। ঐখোয় মশেলগী মরক্তা খৎননবা কনানা লাল্লোং শিল্লিবনো হায়বদুসু পুন্না খল্লমিন্নদুনা লৈনবা চংই। লোয়ননা লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা জাতি ফুরুপ খুদিংমক্লা মশা মশাগী ইন্টরেষ্ট থাদোকমিন্নদুনা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম ঙাক্লবা হোৎনমিন্নসি হায়খি। থৌরমদুগী মখা চত্থরকপা ওইনা ঙমখৈগী ঈহৌদা লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী ইমুং-মনুংদসু য়ুসিএমগী মায়কৈদগী খুদোলপোৎ পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

নোংচুপ হারম খোর্জেলুপ, য়ুরেম্বমনা শিন্দুনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা রিসেন্ট হায়র সেকেণ্ডরি স্কুল শগোলবন্দদা জুন ১৮ না মণিপুরী খুন্নাইদা পীবা ইথিল হায়বা হীরমসিদা খন্ন নৈনবগা লোয়ননা অথৌবা অথৌবীশিংগী ফোটোদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা নুমিৎ অসিবু নীংশিংবা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।